মোদিনা তৌরিবসি কোংগ্রেস শোন্থহন্নবা থৌশিলনি ঃ সোনিয়া গান্ধী

ন্যু দেল্লি, মার্চ ২১ (এজেন্সি) :

লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কোংগ্রেসকী শেল থুম থীংজিল্লিবসি পার্টি অসি মপুং ফানা নমথনবা হোৎনবনি হায়না কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা সোনিয়া গান্ধীনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ন্যু দেল্লিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা চহী ৭৭ শুরবা সোনিয়া গান্ধীনা ফোঙদোকখিবনি। কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধী, পার্টি প্রসিদেন্ট মালিকআর্জুন খর্গে অমসুং পার্টি অসিগী লুচিংবা কয়ানা মীফম অদুদা শরুক য়াখি।

সোনিয়া গান্ধীনা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী থৌশিলনা মরম ওইরগা কোংগ্রেস পার্টিগী শেল-থুম কয়া থিংজিন্দুনা থমহল্লক্লিবা অমদি শিজিন্নবা য়াহন্দ্রিবা অসিনা ফজ খ্রবা দেমোক্রেসি অসিবু মশকথীহল্লে। ইলেক্টোরেল বোন্দস স্কিমগী মতেংনা ফংখিবা বি জে পিগী শেলয়াম অদুদি শিজিন্ননিংবা মওংদা শিজিন্নরি। অদুগা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা ওপোজিসন ওইরিবা ইন্দিয়ান নেসনেল কোংগ্রেসকী শেল-থুমদি বি জে পিগী থৌশিলনা থীংজিন্দুনা থমহল্লিবা অসি দেমোক্রেসিগী মচৎলা হংখি।

রাহুল গান্ধীনসু কোংগ্রেসকী বেঙ্ক একাউন্ট ফ্রিজ তৌশিনখিবা অসিনা পার্টি অসিগী শেল-থুম লৈরক্ত্রে। লাক্লিবা লোক সভা মীখলগী কেম্পেনদা শিজিন্ননবা শেলদি লায়রদনা পার্টি লুচিংবশিংনা চখোক চৎশিন তৌনবা ট্রেন টিকেট ফাওবা ককপা ঙল্লোইদৌরি। ঐখোয়গী য়াম্লবা কেন্দিদেট অমসুং ৱার্করশিং শৌগৎপা ঙল্লোইদৌরি। মীখল থা ২ খক্তমক ঙাইরবা মতমদা অসুম্না তৌহল্লক্লিবা থৌওং অসি ঐখোয়না মীখল থেংনবা ঙম্বগী পাঙ্গল অদু শোন্থহল্লকপনি। মসিদা নত্তনা পার্টি অসিগী মতম মাংহনবীবনি। ঐখোয়গী একাউন্ট ফ্রিজ তৌশিনবা অসি লৈবাক অসিদা দেমোক্রেসি ফ্রিজ তৌশিন্দুনা থম্বগা চপ মান্নে। পি এম মোদি অমসুং অমিট শাহনসু ক্রিমিনেলগী ওইবা থৌওং কয়া তৌরিবনি। অদুবু মখোয়দদি কনানসু করিসু হায়দ্রিবা অসিনা তাকপদি ইন্দিয়াদা দেমোক্রেসি চৎলি হায়বসি মীনম্বনি হায়খি।

কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিকঅর্জুন খর্গেনসু বি জে পিগী থৌশিলনা কোংগ্রেসকী শেল থুমগী ফিভম শোকহল্লক্লিবা অসি লাক্লিবা মীখল অসিদা কোংগ্রেস পার্টি অসি বি জে পিগা খোঙফম মান্ননা লেপ্পা ঙমদনবনি হায়খি।

অমরোমদা বি জে পি গী এম পি রবি শঙ্কর প্রসাদনা কোংগ্রেসকী ৱাফমশিং অসিগী মতাংদা ফোঙদোকখিবদা রাহুল গান্ধীনা ৱা ঙাঙলিবা মখে কোংগ্রেসকী খোঙফম পুথবা হেল্লকখিগনি হায়খি। বি জে পিগী পার্টি প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দানসু বি জে পি লৈঙাক মখাদা দেমোক্রেসি লৈত্রে হায়বা ৱাফম অসিগী পাউখুম ওইনা ইন্দিয়াদা দেমোক্রেসি লৈখিদবা অসি কুমজা ১৯৭৫ দগী ১৯৭৭ ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীনা ইমার্জেন্সি থমজিনখিবা মতম অসিখক্তনি। মতম পুম্নমক্তা মীয়ামদগী শেল হুরান্দুনা লাক্লবা কংগ্রেসনা শেল লৈত্রে হায়বসি নোক্লিংবা ৱাফমনি। করম্না পার্টি অসিগী শেল লৈরক্ত্রিবনো হায়বদু পাড়া ওইনা খঙজিলহৌবা ফৈ হায়খি।

অফগানিষ্টান্দা টালিবাননা নুপীমচা মিলিয়ন ১ হেন্না লাইরিক তম্বা ফংহন্দ্রে ঃ য়ু এন সি এ

EDUCATION FOR WOMEN & GIRLS IS BASIC HUMAN RIGHTS!
#FREE AFGHANISTAN

কাবুল, মার্চ ২১ (এজেন্সি) :

ঙসি অফগানিষ্টানগী স্কুলশিংগী ওইনা অনৌবা একাদেমিক য়্যর হৌদোকখিবদা লৈবাক অসিগী লাইরিক লাইশ্রু তম্বগী ফিভমদা জেন্দরগী ওইবা মীচং মীখায় নাইবগী অথীবা মশক অদু ময়েক শেংনা থোক্লকখ্রে।

চহী ৩ গী মমাংদগী অফগানিষ্টান্দা টালিবাননা লৈঙাক পায়খিবদগী নুপীমচাশিং ক্লাস সিক্সতগী হেন্না তম্বা ফংদনা লাকখিবনি। টালিবানগী থৌওং অসিদা লৈবাক অসিগী য়াম্লবা নুপীমচা কয়া লাইরিক লাইশ্রু তম্বগী লম্বীদগী থৈদোক্তুনা থম্মী। মালেমগী লৈবাক কয়া অমসুং হ্যুমেনিটরিয়ান লুপ কয়ানা টালিবানগী থৌওং অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকখ্রবসু ঙসি ফাওবা অহোংবা লৈত্রি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স চিলড্রেন্স এজেন্সি (য়ু এন সি এ) গী রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌজিক হৌজিক টালিবাননা থম্লিবা অথিংবা অসিনা লৈবাক অসিদা নুপীমচা মিল্লিয়ন অমা হেন্না লাইরিক তম্বা ফংহন্দ্রে। মসিনা মরম ওইরগা খুন্নাই অসিগী হৌরক্লিবা নহা কয়াগী ফন্দামেন্টেল রাইট মৎপদা নত্তনা খুন্নাই অসিদা নুপা নুপীগী মরক্তা মান্নবা মীৎয়েং চংবা ঙম্নরক্ত্রে। লৈবাক অসিগী সোসিও-ইকোনোমিক কন্দিসনসু অসুক্কী মতিক শোকহল্লে হায়রি।

ঙসি টালিবান লৈঙাক্কী এদুকেসন মিনিষ্ট্রিনা অনৌবা একাদমিক য়্যর হৌদোকখিবগী থৌরম অদুদসু নুপী অমত্তা য়াওবা উখিদে। পাউমী নুপীশিংসু থৌরম অদু য়াওবা চংহনখিদে। মপানগী পাউমীশিংনা মসিগী মরম হংবা মতমদা টালিবানগী মাইকৈদগী পাউখুম পীরকখিদে।

নুপীমচাশিংবু লাইরিক লাইশ্রু তমহন্দবগী খোঙথাং অসি কুমজা ১৯৯০ গী মতুংদা টালিবাননা মতম খরা লৈঙাক পায়রম্বা অদুদসু অথিংবা অসি থমখিবনি। টালিবাননা খনবা লৈবাক অসিগী দিপ্যুটি ফোরেইন মিনিষ্টর মোহম্মদ অবাসনা টি ভি চেনেল অমদা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্নদি লৈবাক অসিদা লৈরিবা নুপীমচাশিংগীদমক স্কুল হাংদোক্তুনা লাইরিক তম্বা ফংহনবা হায়বসি তঙাইফদে। লাইরিক লাইশ্রুগী মঙাল ফংদ্রবদি অমম্বা কাদা থম্বা মীওই অমগা চপ মান্নগনি। লাইরিক তম্বা হায়বসি মীওই অমা ওইনা পোক্লবদি চংদবা য়াদ্রবা অমনি।

মহাক্না মখা তানা অফগানিষ্টানগা য়ুমথংনবা লৈবাকশিংগা মরী ফৎত্রিবা অসি ঐখোয়না নুপীমচাশিংবু লাইরিক তম্বা ফংহন্দ্রিবা অসিননি। মসিনা মরম ওইরগা অফগানিষ্টান্দা নুপী ওইবীশিংনা লাকপসু হঙ্গোইরে হায়খি।

টালিবাননা হেক লৈঙাক পায়বদগী লৈবাক অসি নুপীশিংগী চাওখৎ খোঙথাংদা খ্বাইদগী মনিং হনবা লৈবাক অমা ওইরি। নুপীমচাশিং লাইরিক তমহন্দ্রিবা অসি ইস্লাম লাইনিংগী মায়োক্তা পাড়া কয়া য়াওই হায়বগীনি। টালিবানগী মাইকৈদগী নুপীশিং অসি য়ুমদা হোম ট্যুটর তৌরি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু লৈবাক অসিগী লিটরেসি রেটতি লেপ্পা লৈতনা হন্থরক্লি।

‘ৱাটসএপতা বিক্সিট ভারতকী মেসেজ থাবা খুদক্তা লেপকদবনি’

ন্যু দেল্লি, মার্চ ২১ (এজেন্সি) :

লোক সভা মীখল মমাং অসিদা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা ৱাটসএপকী খুত্থাংদা সেন্টর লৈঙাক্না বিক্সিট ভারতকী ৱারোল য়াওবা মেসেজ কয়া থাজিল্লিবা অসি খুদক্তা লেপকন্দবনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ই সি আই) না ঙসি মিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ট্রোনিক এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিদা খঙহনখ্রে।

ই সি আইগী খোঙথাং অসি লৈঙাক্কী মাইকৈদগী মীয়ামদা বিক্সিট ভারতকী মরমদা লৈঙাক্না লৌখৎপা চাওখৎ থৌরাং কয়া য়াওবা মেসেজ মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট লৈন-লৈনা থাদোরক্লে হায়না মীওই কয়ানা ৱাকৎ থাঙ্গৎলকপদগী লৌখৎখিবনি।

লাক্লিবা মীখল অসিদা পোলিটিকেল পার্টি পুম্নমক্না চপ মান্নবা খোঙফমদা লেপ্পুনা মীখল থেংননবগীদমক ই সি আইনা ষ্টেট খরদ হোম সেক্রেটরিশিং ট্রান্সফর তৌখিবসু লৈখ্রে।

বৃটিশ এক্সপ্লোরর অমনা পোইন্ট নেমো য়ৌবা ঙম্বা অহানবা মীওই ওইখ্রে

লণ্ডন, মার্চ ২১ (এজেন্সি) :

পোইন্ট নেমো হায়না খঙনবা মালেম অসিগী মী তাবা শরুকশিংদগী খ্বাইদগী লাপ্পা লৈরিবা কনাসু লৈতবা মফমদা বৃটিশ এক্সপ্লোরর খৃস ব্রাউননা অহানবা ওইনা য়ৌবা ঙমখ্রে।

কুমজা ১৯৯২ দা কনাদিয়ান - রসিয়ান ইঞ্জিনিয়র ভোজে লুকাতেলানা হায়রিবা মফম অসি মালেমদা শক তাক্লম্বনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা কনাসু য়ৌশিনবা ঙমদনা লাকখিবনি। পোইন্ট নেমো অসিদা মীওই অমনা লৈবা মতমদা মহাক্কা খ্বাইদগী নক্নবা মীওই অসি ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসনদা কিলোমিটর ৪০৮ লাপ্পা লৈরিবা এষ্ট্রোনটশিং অসিনি। কংফালদা লৈবা মীওইশিংদি মসিদগী কিলোমিটর ২০০০ হেন্না লাপ্পা লৈ হায়রি।

[illegible]

[illegible]

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

Ref :- Mutation Case No. 54/SDC/IW(H) of 2024

Oinam Gambhir Singh, S/o Oinam Shamungou Singh of Ningombam Makha Leikai

-VS-

(L) Oinam Shamungou Singh, S/o (L) Ibohal Singh of Ningombam Makha Leikai

[illegible] / NOTICE

Dated/Hiyangthang, the 14/3/2024

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 4-Ningombam পাট্টা নং ... (অরিবা) 265/758 (অনৌবা) গী হাল দাগ নং.... (অরিবা) 1204/1609 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.73512 একর/হেক্তর চাওবা লৌফম অসিগী Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা Pattadar গী লম মখৈ মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবিরো হায়না উক্তা Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 28/3/2024 ইং, ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাক্তুনা নত্রগা অইবা চেরোলনা আপত্তি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা Court কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/10173/22 March

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

Ref :- Mutation Case No. 46/SDC/IW(H) of 2024

1) Chingshubam Khogen Singh, S/o (L) Kamal Singh, **2)** Basanta Chingshubam, S/o (L) Kamal Singh, **3)** Chingshubam Nabakumar Singh, S/o (L) Kamal Singh of Langthabal Lep Awang leikai

-VS-

(L) Chingshubam Nabakishor Singh, S/o (L) Kamal Singh of Langthabal Lep Awang Leikai

[illegible] / NOTICE

Dated/Hiyangthang, the 4/3/2024

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 77-Mongshangei পাট্টা নং ... (অরিবা) 111 (অনৌবা) গী হাল দাগ নং.... (অরিবা) 1408 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.68000 একর লৌফম অসিগী Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা Pattadar গী লম মখৈ মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবিরো হায়না উক্তা Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 28/3/2024 ইং, ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাক্তুনা নত্রগা অইবা চেরোলনা আপত্তি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা Court কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/10173/22 March

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, YAIRIPOK

Ref :- Mutation Case No. 142/SDC/YPK **Date. 20/03/2024**

Parties :- 1) Md. Hefzur Rahim, S/o Late Fajurhim Moulubi of Tulihal
2) Md. Samir, S/o Zakir of Tulihal

- Petitioner

- Vs -

Late Fazurhim Moulubi, S/o Late Shangai Miya of Tulihal

- O.PP:

[illegible] / NOTICE

Yairipok, the 20/03/2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioners শিংনা য়াইরিপোক তহশিল খুল নং ১০১-পেচি পাটা নং অরিবা ২৯৪ পাটা নং অনৌবা ১৬০ দাগ নং ৭ এরিয়া .২৭৭৮ হেক্তর চাওবা অসিগী পাট্টাদার ফজুরহিম মৌলুবী পীং মৃ: শঙ্গাই মিয়া সাং তুলিহল অসি মৃতু ওইখ্রে, হায়রিবা Petioner নং ১ না দাগকী নোংচুপ্তা এরিয়া .১৩৮৯ হে: Petioner নং ২ না দাগকী নোংপোক্তা এরিয়া .১৩৮৯ হে: অসি মৃ: পাট্টাদার মচা অমসুং মশুনা মখোয়গী ফংফম থোকপা শোতোনি মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমিং ককথৎপিরগা Petitioners শিংগী মীংদা নামা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অসিনা ফৌরেল লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি Notice অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অয়েৎ-চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপত্তি লৌররোই। হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
Yairipok

HL-P/10170/22 March

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

Ref :- Mutation Case No. 61/SDC/IW(H) of 2024

1) Sharangthem Sanatomba Singh, S/o (L) Sharangthem Goroba Singh (0.0614 Acre out of 0.98000 Acre), 2) Sharangthem Achouba Singh, S/o (L) Goroba Singh (0.04416 out of 0.98000 Acre), 3) Sharangthem Birkumar (0.035215 out of 0.98000 Acre), 4) Sharangthem Regan Singh of Hiyangthang (0.035215 out of 0.98000 Acre), 5) Lambi (0.0677+0.0123=0.08 out of 0.98000 Acre)

-VS-

(L) Sharangthem Goroba Singh, S/o (L) Angouba Singh of Hiyangthang

[illegible] / NOTICE

Dated/Hiyangthang, the 18/3/2024

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 106-Hiyangthang পাট্টা নং ... (অরিবা) 999 (অনৌবা) গী হাল দাগ নং.... (অরিবা) 1436 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.256025 out of 0.98000 Acre ইংখোল অসিগী Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা Pattadar গী লম মখৈ মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবিরো হায়না উক্তা Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 28/3/2024 ইং, ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাক্তুনা নত্রগা অইবা চেরোলনা আপত্তি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা Court কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/10173/22 March

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

Ref :- Mutation Case No. 138/SDC/IW-L/2024

Seram Chaoba Devi, D/o (L) Birmangol Singh of Kyamgei Mayai Leikai

- Petitioner

-VS-

Late Seram Birmangol Singh, S/o (L) Iboton Singh of Kiyamgei Mayai Leikai

- OP/Party

[illegible] / NOTICE

21/3/2024

U/S 46(3) of MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার সেরাম বিরমঙ্গোল সিংহ পীতা ইবোতোন সিংহ সাং কিয়ামগৈ ময়াই লৈকায়গী মীংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৬১-শজেনবমগী অনৌবা পাট্টা নং ১৫২ দাগ নং ২১৩ এরিয়া ২.৯১ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপত্তি তৌবিনিংলবদি তৌবিবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপত্তি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চৎথজরগনি।

Sd/- **B.C. to SDC**
IW-Lamsang

HL-P/10166/22 March

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

Ref. Mutation Case No. 105/SDC/NBL of 2024

Lairenjam Goroba Singh, S/o L. Tolen Singh of Kakyai Makha Leikai

- Petitioner

-Vs-

(L) Lairenjam Tomal Singh, S/o (L) L. Tombi Singh of Kakyai Makha Leikai

- O.P.

[illegible] / NOTICE

Date 21/03/2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 8-Kakyai Langpok গী Patta No. 244, 152, 202 (Old), 431 (New) Dag No. 1069 an area of 0.68 acres of phourel Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত্ ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত্ পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

Sd/- **BC to SDC,**
Nambol

HL-P/10169/22 March

BEFORE THE OATH COMMISSIONER: MANIPUR AT THOUBAL

[illegible] / AFFIDAVIT

I, **Waikhom Surendro Singh,** aged about 27 years, S/o. Waikhom Ngouba Singh, a resident of Wabagai Mayai Leikai, Wabagai, PO, PS & District - Kakching, Manipur - 795103 do hereby make Oath and solemnly affirm as follows:

1. That, I am a bonafide law abiding citizen of India in the above mentioned address. This is true to my knowledge.
2. That, the Date of Birth in my Driving Licence Card is recorded as 03/02/1993 being No. MN-0420120005961 issued by the Department of Transport, Government of Manipur. However, due to bonafide mistake, the Date of Birth in my Aadhaar Card is recorded as 01/03/1997 being Aadhaar Card No. "2854 3236 6463" issued by Government of India. This is true to my knowledge,
3. That, the Date of Birth "03/02/1993" and "01/03/1997" is one & same person. Hence this affidavit. This is true to my knowledge.

VERIFIED at Thoubal on this 16th day of January, 2024 that the contents of the above paras 1 to 3 of the above affidavit are all true and correct to the best of my knowledge and belief and nothing material has been concealed herein.

By: Advocate
S. Kiran
MSC, LLB Advocate
Wangjing Bazar S.K. Leikai

L. Bonita Devi
Oath Commissioner Manipur
at Thoubal
Regd. No. 497/2022

Signature of the Deponent
W. Surendro Singh

HL-P/10009/22 March

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Ref. Mutation Case No. 25/SDC/Oinam of 2024

Meitankeishangbam (N) Phurailatpam Ibeni Devi, W/o (L) Ph. Tombisana Sharma of Sega Road Konjeng Harari Leikai

- Petitioner

-Vs-

(L) Langpoklakpam (N) Bidhu Devi, D/o (L) Kamal Singh of Sega Lambi Konjeng Hajari Leikai

[illegible] / NOTICE

Date 21/03/2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 32-Keinou গী 1) Patta No. 32/240 (O), 32/650 (New) Dag No. 603 Area 1.80 acre Class Phourel হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

Sd/- **BC to SDC,**
Oinam

HL-P/10169/22 March

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Ref. Mutation Case No. 26/SDC/Oinam of 2024

Kshetrimayum Shantibala Chanu, W/o Thokchom Shyamchand Singh of Sagolband Heinoubok

- Petitioner

-Vs-

(L) Koijam (N) Kshetrimayum (O) Manjuri Devi, W/o Mani Singh of Kwakeithel Akham Leikai

- O.P.

[illegible] / NOTICE

Date 21/03/2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 32-Keinou গী 1) Patta No. 242 (O), 553 (New) Dag No. 1098 Area 1.35 acre Class Phourel হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

Sd/- **BC to SDC,**
Oinam

HL-P/10169/22 March

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-X LAMPHELPAT, IMPHAL

Ref :- Mut Case No. 146/AS&SO-X/2024 **Date: 20/03/2024**

1. Laishram Nimai Chand Singh, S/o Late Mohodar Singh of Khangabok Palli Leikai
2. Do - Ongbi Pemcha Devi, W/o Late Shamungou Singh of Khangabok Mayai Leikai

- Petitioner Party...

- Vrs -

Laishram Mohodar Singh, S/o Late Heno Singh of Khangabok Mayai Leikai

- OP... Party...

[illegible] / NOTICE

Dt. 21/03/2024

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of M.L.R. & L.R. Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি, খুল নং ৩৩ খাঙবোক্কী পাট্টা নং ১০৪৩ (অরিবা) ১১৪৯ (অনৌবা) গী দাগ নং ১০৯৬ কী হেক্তর .২৮৯১ চাওবা তাওথবী লৌফম অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদার শ্রীলাইশ্রম মোহোদার সিংহ পী: মৃ: হেনো সিংহ মৃতু ওইখ্রে, মরম অসিনা পাট্টা অসিদগী মৃত পাট্টাদার মমিং কক্লগা Petitioner মখোয় মচানুপা অমদি মমৌনুপী মখোয় অনীগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। কনাগুম্বা মৃত পাট্টাদারগী মচা-মশু, মরী-মতা, অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ তরেৎ (৭) নি ফাওবগী মনুংদা মথক্কী Court অসিদা Objection তৌগদবনি নত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি তুংদা লাকপা Objection Court অসিনা লৌরোই।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-X
Lamphel Pat, Imphal

HL-P/10165/22 March

ADVANCED COACHING INSTITUTE (ACI)

REGISTRATION OPEN
[illegible]

ELIGIBILITY:
CLASS XII
Sc/Arts/com

CUET(UG)
Common University Entrance Test 2024

PAPER I, II, III *for* Under Graduate Test

DOMAIN SUBJECTS : Phy, Chem, Bio, Maths, Pol. Sc, Geo, Hist, Eco

SEPARATE HOSTEL FOR BOYS AND GIRLS

** FIRST COME FIRST SERVE ! * SPECIAL FEE CONCESSION ! * ONLY FEW REMAINING SEATS !*

NEET / JEE CRASH & FOUNDATION

CONCESSION : 1. ACIANS/Former Students 2. Govt. school students 3. Two or more students of same family 4. freeship for position holders in class x & xii and 90% above 5. 87% and above P.C.B of xii of 23 6. freeship for meritorious students (NEET 22/23)

Faciliteis : *7 full test series & state label mock test series ,30 extra test series for NEET /JEE van service, separate boys /girl hostel with wifi connection , Sunday mock test, extra dought session ,Extra class of*

EVENING:
3PM TO 7PM
4PM TO 7PM

AFTERNOON:
11AM TO 2PM
12PM TO 3PM

Morning :
5AM to 9AM
5.30 TO 8.30AM

SPECIAL facilities:
1. Study materials of each chapter 2. Special Test Series
4. Extra class for weaker STUDENDS 5. SEPARATED BOYS AND GIRLS HOSTEL ,*van service,*

For details visit to office of Nagamapal Lamabam Leikai (11am to 7.30 pm) or Kwakeithel Akham leikai (10 am to 3.30pm)# 878 7586090

HL-P/10156/21 Mar to 21 Apr.)

[illegible]

NEW ERA KEINA GIRL'S HOSTEL
OPPOSITE IMPHAL COLLEGE GATE, KWAKEITHEL NINGTHEMKOL LANE 2

ADMISSION AND COUNSELLING OPEN 2024
FOR CLASS XII SC (COHSEM)

SPECIAL FEATURES :
i) Tutorial classes inside hostel only by well trained, qualified and dedicated teachers currently serving in most reputed schools in the city.
ii) Van services from hostel.
iii) Extra Classes for weak students.
iv) Printed study materials.
v) Strict rules & regulations.
vi) Traditional nutritious, hygienic and delicious fooding menu on rotational basis.

SESSION STARTS FROM 4TH APRIL, 2024

40 Seats only

CONTACT : 9366407996, 9366299374, 9383218404

HL-P/9986/16/3-4/4